# ঙসি ঐনা আর্চর অমা ওইবা ঙমজরিবসি ঐবু পোকপা ববানা মতেং পাঙবীবদগীনি ঃ ইরেংবম সনাতোম্বা

### রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

**আর্চরিদা মিৎয়েং অমা**

*(হান্নগী মখা...)*

নুমিৎ খুদিংগী ঐনা বসতা আর্চরিগী ট্রেনিং তৌবা লাকখিবদু গাড়ী অতোংমল লুপা অনী লৌই। করিগুম্বা মতমদা, মী চিনমন্দুনা মথক্তা তোংলবদি অতোংমল লৌবীদে। তোইনা সুম চৎপগী বস কন্দক্টরশিংনসু ঐবু মশক মুন্না খঙবী। অয়ুক ঙন্না হৌগৎলগা ঙন্নবা চৎলকপদু তশেংনা নুংঙাইখি। বস তোংনা-তোংনা মতমদুদা খনবসি, ঐনা চৎলিবসি তেন কাপ্পা ফজনা হৈবা প্লেয়র অমা ওইনবনিকো হায়বসিনি।

অদুগা, অমরোমদা তশেংনা হায়জরগদি ঐহাক্না থৌনা লৈনা কদাংবন্দগী খুমন লম্পাক তান্না শান্নবা লাকপা ঙমজখ্রিবদু, ঐবু পোকপা ববা (ইরেংবম তোম্বা) সিনা ফজনা ইনকরেজ তৌবীবদগীনি। ঐখোয় ববাসি মপূন্সিদা শান্নরকপা মীওই অমদি নত্তে। অদুবু শান্ন-খোৎনবদি য়াম্না পামজবা মীশক অমনি। ববাসি হান্না নাগালেন্দ পুলিসতা থবক তৌরম্মী। ১৯৯১ দা ভোলুন্টরি রিটয়ার্দমেন্ট লৌথোরকপনি। ঐনা শান্নবা পামজবদুদা ইচানবু পান্নবদি শান্নৌ, হোৎনৌ, ইপা লৈরিসিদি হায়দুনা ঐবু থৌনা হাপ্পীরকখি। ইমুং-মনুংগী পূন্সি মহিংগী মতাংদা হায়জরবদা, ববানা থবক্তগী পোত্থারকপদগী, শিংদা বজারদা ইমা-ববা ইমুং-মনুংসি হোটেল তৌদুনা লৈরকখি। ঐখোয় ইচিন-ইনাওসু অহুমখক্তনি। ইথক্তা ইচে অমা ইখাদা ইনাও অমা, ঐনা য়াইমনি। হৌজিক্তি ইচানা খুরাইদা ময়ূম পানখ্রে। ইনাওসিনা আর্মি ওইখ্রে।

অহানবা ঐনা শান্নবা হৌরকপসি, ৰাগী লুপা ১,৫০০ পিবা টেনসিদনি। মসিদা ট্রেনিং তৌরকপা থা অমরোম খরা হেল্লকপসিদা, মেদাম মেমে (অচেরিগী এন আই এস কোচ)না ঐবু ষ্টেট লেভেলগী চেম্পিয়নপ্তা শরুক য়াহনবিরকখি। ১৯৯৯ দা তৌখিবা ষ্টেট চেম্পিয়নশিপ অদুদা, ঐহাক ষ্টেট চেম্পিয়ন লৌবা ঙমজরকখি। মদুদগী হৌরগা ইশাসিদা খরা ফবা টেন কাপ্লিংলকপগী ৰাখলসি কন্না ফাওরকখি। ঐঙোন্দগী হান্না শান্নরম্বা প্লেয়রশিংনা কাপ্পরিবা টেন অদুগুম্বা অমা লৈরগদি ফজনা কাপ্পা ঙমগনি হায়নসু খল্লকখি।

ষ্টেট চেম্পিয়নগা ওইরকপা, টেন কাপ্পসিদা ফোর্মগা খরা তারকপদুদা, ঐসু ববাদা হায়রে, ববা! ইন্দিয়ান রাউন্দদা কাপ্পা য়াবা অফবা টেন অমত্তদি লৈবিয়ু। ঐগী ইমান্নবা উরিপোক্তা লৈবা অমগী হান্না কাপ্পবা টেন অমা লিশিং কুন্দা য়োনগনি হায়, মদু লৌরক্লগে হায়বদা, ববানা হোয় হোয় লৈবিগে হায়না খুল্লকখি। মতমদুদা ববাগী পৈশা কয়াম লৈবা লৈতবা মদুসু থোইনা খংদে। লুপা লিশিং কুন পিবা সেকেন্দ হেন্দগী টেন্দু লৈরগা, অতে মপোৎ মচে শুনবা লাংখৎপদা চাউরাক্লা লুপা লিশিং কুন্থ্রাদি চঙগনি হায়না ববাদা ৰারী তম্বদা পীগে পীগে নংনবু থৰায় য়াওনা শান্নগে হায়রগদি ইপা লৈরিসিদি হায়রকখি।

ঐগীঅপান্থবু থুংহন্নবগীদমক, ঐখোয়গী কদাংবন্দ শাবন্দা লৈবা লৌ শঙম অহুমগী লৌফম অমা ববানা য়োনখি। অহানবদদি ঐসু খঙদে, কোন্না খঙলকপনি। ঐখোয় ববাগী মচাশিংবু নুংশিবা তোপ তোপ্পা ৰাখল অমা লৈ। মরম চানা মচানবু হায়রক্লবদি মদু পীবা ঙম্লনবা হোৎনগনি। মমা মপা হায়বসি মচাশিংগীদি মীৎনা উবা ঈশ্বরনি। মপা অমা ওইনা অঙম্বদি হোৎনগনি হায়বসি ববাগী ৰাখলনি। অদুগুম্বা ৰাখল্লোন খরা চেল্লম্বনা ঐনা ঙসি আর্চরঅমা ওইবা ঙমজবনি।

ববানা তেনদু লৈবীবদগী ঐঙোন্দসু হান্নদগী হেন্না ফজনা কাপ্পা ঙল্লগনি হায়বগী চপ চাবা থাজব লৈরকখি। অসুম্না ইমুং মনুংনসু মতেং পাঙবীবা, ইশানসু কন্না হোৎনজবগী মপান্দগী কুমজা ২০০০ দগীদি ঐহাক সাইদা লৈবা ফংজরকখি। মতমদুদা ঐ রিকর্ভ কাপ্লি। কম্পাউন্দসিদি কোন্না লাকপনি। ঐখোয়না সাইদা অহানবা চঙবা মতজ্ঞমঞ্জতিসিদা খূৎশু খূৎলায়গা অমত্তা লৈতে। তপ্না তপ্না কোন্না পীরকপনি। সাইদা চঙলকপদগীদি ঐগী অৰাবা ত্বপচ্প্না লোইনা কোকখ্রে। চৎথোক চৎশিনগী প্রোব্লেম, চাবা থকপগী, লোইনমকসি সোম্ব তৌবা ঙমখ্রে।

অয়ুক্ত প্রেক্টিশ তৌরূরবসু, মতম চানা কলেজ কাবা ঙল্লে। অমসু অমসু হোবে তৌদুনা কোইচেন চেনবদুদি, তোকখ্রে। তাকয়েল সাইদা, মেদাম গুনিচাগী মখাদা ট্রেনিং তৌবা ফংজরকপদগীদি, অনৌবা পূন্সি অমা পুরানা হৌরে। আর্চরি মশান্নসিদা, মফম অমা কনবা ঙল্লগনি হায়বসিসু মতমদুদদি তশেং-তশেংনা উবা ফংলক্লে। সাইদা ঐহাক চউরাক্ল। চহী অমা খরা হেন্না লৈজরম্মী। মেদাম গুনিচাগী মখাদা চাং নাইনা ট্রেনিং তৌজবা ফংবদগী য়াম্না থুনা ইম্প্রুভ তৌবসু ঙল্লকখি। নেসনেল চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল লৌবা ঙম্বগী থাকসু য়ৌরকখি। নেসনেল থাক্তা মেদল ফংলকপদগী পূন্সিগী হিংননবগী লম্বেল শেম্বা হৌরকখি। ২০০২ দা, মুম্বাইগী আর্মি সেন্টর (নাসিক্ত লৈবা)গী ওইনা আর্চরি শান্নরোয় কৌরকপদা, তাকয়েল সাইদগী ঐখোয় ৮ এপ্লাই তৌবদা, মরি খন্দুনা ঐনে, জিথোমাশনে, মাইস্নাম চীংলেনসনানে, শন্তোশনে লৈরকখি।

-মথং মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫০

১. চহী মরিগী মমাঙদা কুমজা ২০১৩ দা বির্মিংহামগী বার হোটেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় অমনা কিন্না থিনখিবগী ৰাথোক ওইখিবা ইংলেন্দগী শান্নরোয় অদু কনানো?

২. কুমজা ১৯৬০ দা রোমদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসকী ফুটবোলদা চেম্পিয়ন ওইখিবা টিম অদুগী শান্নরোয় ১০ খক্তনা ফাইনেলদা শান্নখি। তাম্থোকখিবা শান্নরোয় অদুগী মরাল করিনো?

৩. নুপাগী প্রোফেসনেল বাস্কেটবোল লীগতা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবী নুপী অদু কনানো?

৪. মহাক ওলেম্পিক্কী লমজেল মতেক চেনবগী চেম্পিয়ননি। ওলেম্পিক্তা মহাক্না লমজেল চেনবা খুদিংগী মহাক্কী ত্রেক সুইট অদু হোংই। মহাক্কী মপুরোইবসু ওলেম্পিক চেম্পিয়ননি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?

৫. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসিদা বোল পায়দুনা চোঙখৎলিবা শান্নরোয় অসিগী মমিং হায়য়ু?



মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০ ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পাকিষ্টান্না আই সী সী ও দি আই রেঙ্কিংদা মফম অনী কাখৎলগা তরুকশুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে

দুবাই, জুন ১৯ : চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী টাইটল লৌবা ঙমখিবদগী পাকিস্টান্না ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী) ও দি আই টিম রেঙ্কিংদা হান্না লৈরম্বা মফমদগী অনী কাখৎলগা তরুকশুবা মফমদা লৈখ্রে অদুগা ফাইনেলিষ্ট ইন্দিয়ানা অহুমশুবা মফমদা লেংদনা লৈখি।

কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপকীদমক পাকিস্টান, শ্রীলঙ্কা অমদি বংলাদেশনা দাইরেক্ট ক্কালিফাই ওইননবা খোঙফম চেৎশিনখ্রে। অদুগা য়ূম্ব ইংলেন্দ অমদি লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবদা রেঙ্ক তরেৎ ফাওবদা লৈবা সাইদশিংনা ৱর্ল্ড কপ অসিগীদমক ক্কালিফাই ওইবা ঙমগনি।

সর্ফরাজ অহমেদকী টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অদুদা মখোয়দগী হেন্না রেঙ্ক ৰাংনা লৈবা ওপোনেন্টপু মায়থীবা পীখিবদগী পোইন্ট ৯৫ ফংখি। পোইন্টশিং অসি ইন্দিয়াগী মায়োক্তা শান্নখিবা ফাইনেল অমদি ইংলেন্দগী মায়োক্তা সেমী ফাইনেলদা ৰিকেট ৮ দা মায় পাকখিবা অদু য়াওরি।

সাউথ অফ্রিকানা লুচিংলিবা টিম ষ্টেন্দিং অসিদা অহোংবা অমত্তা য়াওদ্রে। অদুম ওইনমক ইন্দিয়া, ইংলেন্দ অমদি বংলাদেশনা মখোয় মখোয়গী পোইন্ট অমমম মাঙজখি।

ও দি আইগী প্লেয়র রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ওপনর রোহিট শর্ম্মানা সেমী ফাইনেল মেচতা নোট আউটতা লৈদুনা অপূনবা রন ১২৩ লৌবা ঙমখিবা অদুনা মফম অহুম কাখৎলগা তরা শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখি। অদুগা পেস বোলর ভুবনেশ্বর কুমারনা মফম মরি কাখৎলগা ১৯ শুবা পোজিসন্দা লৈখি।

জাসপ্রিট বুমরহানা মফম ১৯ কাখৎলগা ২৪ শুবা পোজিসন্দা লৈখি। পাকিস্টানগী পেস বোলর হাসন আলি অমদি রুকি ওপনর ফখার জমন্না মখোয়না পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা রেঙ্কিংদা চাউনা কানবা ফংখি।

প্লেয়র ওফ দ টুর্নামেন্ট তাখিবা হাসন্না ৰিকেট ১৩ লৌখিদুনা পোইন্ট ১২ ফংবা ঙমদুনা তরেৎশুবা রেঙ্কতা লৈখি। সেমী ফাইনেল মেচতা মশাগী অশোকপা লৈবদগী শরুক য়াখিদবা মোহম্মদ অমিরনা ফাইনেল মেচতা রন ১৩ পীরগা ৰিকেট অহুম লৌবা ঙমখিবা অদুনা মফম ১৬ কাখৎলগা ২১ শুবা মফমদা লৈবা ঙমখি। অদুগা দুনাইট খান্না মফম ৯ হাইগৎলগা ৪৭ শুবা মফমদা লৈখি।

ফখর জমন্না ফাইনেল মেচতা রন ১১৪ অমদি সেমী ফাইনেলদা রন ৫৭ লৌবা ঙমখিদুনা ৯৭ শুবা রেঙ্কতা লৈবা ঙমখি। মহাক্কী রেঙ্কিং অসি ও দি আই মেচ মরি শান্নখ্রবা মতুংদা পুরকখিবনি। বাবর অজামনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা মফম অহুম কাখৎলগা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈখি। মহাক্না ফাইনেলদা রন ৪৬ অমদি সেমী ফাইনেলদা নোট আউটতা লৈদুনা রন ৩০ লৌখি।

মোহম্মদ হাফিজনা মফম অনী কাখৎলগা ২০ শুবা রেঙ্কতা লৈখি অদুগা ওপনর অজার আলিনা মফম ১১ হাইগৎলগা ৩১ শুবা পোজিসন্দা লৈখি। বোলরগীদা বংলাদেশকী কেপ্তেন মসরফ মোটাজানা মফম অহুম ৩ হাইগৎলগা ১৯ শুবা পোজিসন্দা লৈখি। অদুগা ওপনর টামিম ইকবালনা বেটসমেনশিংগী মরক্তা ১৬ শুবা মফমদা হাইগৎলগা লৈখি। মহাক্না ইন্দিয়াগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা রন ৭০ লৌখি অদুগা মহাক্না টুর্নামেন্ট অদুগী অপূনবা রন ২৯৩ লৌবা ঙমখি।

সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌখিবা ইংলেন্দগী টোপ বেটসমেন মরি জোরুটনা মরিশুবা, এলেক্স হেলসনা ১৭ শুবা, ইয়োন মোর্গান্না ১৮ শুবা অমদি জোজ বটলরনা ১৯ শুবা রেঙ্কতা লৈখি।

# সর্ফরাজবু চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী আই সী সী টিমগী কেপ্তেন হাপখ্রে

INDIA
PAKISTAN
OVAL
ICC

লন্দন, জুন ১৯ :

মহাক্কী সাইদনা শিংথানিংঙাই ওইনা মায় পাকখ্রবা মতুং পাকিস্টানগী সর্ফরাজ অহমেদপু চেম্পিয়ন্স ত্রোফি ২০১৭ কী আই সী সী টিমগী কেপ্তেন হাপখিবগা লোয়ননা টিম অসিদা স্কিপর বিরাট কোহলি য়াওনা ইন্দিয়াগী প্লেয়র অহুম য়াওরে।

টিম অসিদা আই সী সী চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী ফাইনেলিষ্ট ওইখিবা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্টান্দগী প্লেয়র তরেৎ য়াওরি। অদুগা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাক ৮ দগী প্লেয়র মঙা অমগা য়াওরে।

টিম অদুদা পাকিস্টানগী মরি, ইন্দিয়াগী অহুম, ইংলিসমেন অহুম, বংলাদেসি অমা অমদি ১২ শুবা ওইনা ন্যুজিলেন্দগী কেন ৰিল্লিয়মসন য়াওরি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মায় পাক্লবা বেটসমেন অমদি বোলর ওইখিবগীদমক মথংশিংনা গোল্ডন বেট অমদি গোল্ড বোল ত্রোফি লৌখিবা ইন্দিয়াগী ওপনর সিখর ধৱন অমদি পাকিস্টানগী হাসন আলি য়াওরে। অদুগা পাকিস্টানবু অহানবা ওইনা আই সী সীগী মেজর ইভেন্টতা সেমী ফাইনেল ফাওবা পুশিনবা ঙমখিবা টামিম ইকবালবু খনগৎতুনা টিমদা হাপচিনখি।

পাকিস্টানগী ফাকর জামনবু ধৱনগা ওপনিং পার্টনর ওইনবগীদমক খনগৎখি। মহাক্না মেচ মরিদা অপূনবা রন ২৫২ লৌদুনা ষ্ট্রাইক রেট ১১৩ দা লৈখিবনি। মহাক্না সাউথ অফ্রিকাগা মায়োক্লখিবা মেচতা রন ৩১, শ্রীলঙ্কাগা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচতা রন ৫০, ইংলেন্দগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা রন ৫৭ অমদি ইন্দিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা রন ১১৪ লৌখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা রন ২৫৮ লৌখিবা জো রুটসু টিমদা হাপচিনখি। অদুগা বেনষ্টোক্সপু মহাক্কী এগ্রিগেট রন ১৮৪ অমদি ৰিকেট অহুম লৌবা ঙমখিবা ওল রাউন্দরগী পার্ফোমেন্স অদুনা টিমদা য়াওবা ঙমখি।

ফার্ষ্ট বোলর জুনিয়াদ খান, বুবনেশ্বর কুমার অমদি হাসন্না টুর্নামেন্ট অদুদা অপূনবা ৰিকেট ২৮ লৌখি। অদুগা রিষ্ট স্পিনর রসিদনা ৰিকেট তরেৎ লৌদুনা ইকনমিক রেট ৪.৭৩ ওইদুনা টিমদা য়াওবা ঙমখি।

সর্ফরাজবু নুমিৎ ১৮ নি চুপ্পা চৎখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক্কী কৎথোকপগী লিদরসিপ অদু য়েংলগা টিম কেপ্তেন হাপখি অমদি মহাক্কী টিমনা রন ১৮০ দা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

টিমদা য়াওরিবা প্লেয়রশিং অদুদি সিখর ধৱন (ইন্দিয়া), ফাকর জমন (পাকিস্টান), টামিম ইকবাল (বংলাদেশ), বিরাট কোহলি (ইন্দিয়া), জো রুট (ইংলেন্দ), বেনষ্টোক (ইংলেন্দ), সর্ফরাজ অহম্মেদ (পাকিস্টান), অদিল রসিদ (ইংলেন্দ), জুনিয়াদ খান (পাকিস্টান), ভুবনেশ্বর কুমার (ইন্দিয়া), হাসন আলি (পাকিস্টান) অমদি কেন ৰিল্লিয়মসন (ন্যুজিলেন্দ, ১২শুবা) নি।

See better through us...
Yumnam Eye Care
RIMS Road, Imphal West Manipur
Computerised Eye Testing
&
Contact Lens Clinic
NEW SUMMER COLLECTION
Authorized Dealer
LUXOTTICA
VOGUE
Fastrack
Consultant Timing :
Morning- 8:00 am - 12.00 noon
Evening- 2:30 pm - 5.00 pm
Sunday - 8:00 am - 12.00 noon
HL-B/3934/11/6-10/7

# বোল্লিৰুদকী শক্লাইরবা ফিল্ম ষ্টার সহরুখ খানগী টিমনা সাউথ অফ্রিকান টি-২০ লীগতা শরুক য়াগনি

কেপ টাউন, জুন ১৯ :

বোল্লিৰুদকী শক্লাইরবা ফিল্ম ষ্টার সহরুক খানগী টিম কেপ টাউন নাইট রাইদরসনা ক্রিকেট সাউথ অফ্রিকা (সী এস এ) গী অনৌবা টি-২০ লীগ-টি-২০ গ্লোবেল লীগতা শরুক য়ারগনি।

ক্রিকেট সাউথ অফ্রিকানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা ওনরশিং সিটিশিং অমদি মার্কি প্লেয়রশিং লাউথোকখি।

এন্ন্যুগুরেল লীগ অসিদা টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা অথোই অহেন তান্নগনি। বোল্লিৰুদকী ষ্টার খাননা মাঙজৌননা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়ারিবা কোলকটা নাইট রাইদরসকী ওনর ওইরি। অদুগা ৰেষ্ট ইন্দিজদা চথরিবা কার্বিয়ান প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়ারিবা ত্রিনবাগো নাইট রাইদরসকী ওনরসু ওইরিবনি।

সহরুক খান্না ভিদিওগী মেসেজ অমদা হায়, নাইট রাইদরসকী মায়কৈদগী ক্রিকেট সাউথ অফ্রিকাগী ইনৌ নৌবা ওইনা লোঞ্চ তৌগদৌরিবা টি-২০ গ্লোবেল লীগপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

ঐখোয়না নৌনা হৌদোরক্লিবা লীগ অসিদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা মায় পাক্লা চঙশিল্লক্লবা মীৎয়েং থম্লি হায়না ফোঙদোকখি। দেল্লি দ্যের দেভিলসকী প্রমোটর জি এম আরনা জোহনেসবর্গ টিমগী ওনর ওইরি।

টি-২০ গ্লোবেল লীগতা শরুক য়াগদৌরিবা টিম নিপানগী ওনর হোষ্ট সিটি অমদি মার্কি প্লেয়রশিং অদুদি ওনর সহরুখ খানগী সিটি কেপ টাউন, মার্কি প্লেয়র জে পি দুমিনি, ওনর ফৱাদ রানা সিটি দরবান, মার্কি প্লেয়র হাসিম অমলা, ওনর জি এম আর গ্রুপ সিটি জোহনেসবর্গ, মার্কি প্লেয়র কাগিসো রবদা, ওনর জাবেদ অফ্রিদি, সিটি বেনোনি, মার্কি প্লেয়র ক্বিন্টিন দ কোকনি। ওসমান ওসমান, সিটি প্রেটোরিয়া, মার্কি প্লেয়র এ বি দি বিল্লিয়রস, ওনর অজয় সেথি, সিটি পোর্ট এলিজাবেথ, মার্কি প্লেয়র ইমরান টাহির, ওনর মুষ্টাক ব্রে, সিটি ষ্টেলেন বোস, মার্কি প্লেয়র ফাব দু প্লেসিস অমদি ওনর সুসিল কুমার, সিটি ব্লোমফোন্টেন, মার্কি প্লেয়র দেবিদ মিল্লরনি।

সী এস এগী চীফ এক্সিক্যুটিব হারুন লোগার্টনা সী এস এগী ৰেবসাইটতা হায়, টিম ওনরশিং লাউথোকপা অসিনা ঐখোয়গী টি-২০ লীগ অসি মায় পাক্লা পাঙথোক্লনবগী চাউরবা খুদোংচাবা অমনি।

ঐখোয়গী লীগ অসিদা মালেমগী ওইবা শক্লাইরবা কয়ানা শরুক য়ারি। লীগ অসি মায় পাক্লা চথবদা সী এস এনা অশানবা মীৎয়েং থম্লি। লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা প্লেয়রশিংসু মালেমগী ক্রিকেট মশান্নদা শিংথানিংঙাই ওইনা পার্ফোমেন্স পীখ্রবা ঙাক্তনা ওইরি। মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং অদু লীগ অসিদা উৎথোক্তুনা মলেমগী ক্রিকেটপু পামজবা মীয়ামগী মীৎয়েং চিংশিন্নফম অমসু ওইরগনি।

লীগ অসি মায় পাক্লা পাঙথোক্তুনা মালেমগী মীয়ামদা ক্রিকেটকী মহাও অমা পীবা ঙম্নবা সী এস এনা মীৎয়েং থম্লি হায়না মখা তানা মহাক্না ফোঙদোকখি।

HUEIYEN LANPAO
MAIN OFFICE: SEGA ROAD, THOUDA BHABOK LEIKAI, IMPHAL

লেঙশিনবিরকউ/
হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক
খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।
ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা
হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স